## ৱারী মচা

# মণিপুর বন্দ

**চুংখাম রনবীর**

ইবেচাওবী চৎলিবা লম্বী চৎপশিংদুদা মতম তোইনা হংই,

ইবুংঙো পুং কয়া তারে? ইবুংঙো পুং ৬ তাগদৌবা মিনিট কয়া ৱাংলি?

ঙাইহাক্তা পোত্থোদে। মিনিট অমবু কাল্লবদি ঘরী শিবা উবা য়াদে। মতম্না চংশিল্লকপগা থম্মোয়গী মীহুনগী খোঙজেনসু কনখৎলকই। মনা মশিং খরা থাদুনা য়োনলিবদু শিৎহৌনবা মী কৌশিনবা হেনগৎলকই। ইবেম্মা ইমাগী কোবীসি খরা লৈবীখোবা ইমা য়াম্না পীথোক্লে। ইবুংঙোহোয় ইমাগী ইনশাং নাপীসি করিনো খজিক্তা লৈবিখোবা হোংনা পীথোক্লে।

কনাসু তাবীদে কনাসু খুন্নীরমদে মানা মানা থোকপা চৎনখি, খুৎলৈ থুনা ময়ুম মায়কৈ পাংনথ্রি।

ইচে ইবেচাওবী নঙদি হনখিরোইদ্রা? বন্দ মতম য়ৌশিল্লক্কদৌরে। ঙসিগী বন্দ সিদি য়াম্না কনগদৌরি হায়নৈনে। বন্দ মতম ফাওবা য়ৌদ্রিঙৈদা ঙসাইসু কদাই কদাইদনো গারীগা মৈ য়াম্না থানখ্রে হায়।

লাপ্তুক ফন্নিবী ইন্দুনা মাগী মপোৎ মচৈশিংদু লোয়শিন লোয়শিন্না হায়রকই। মাদসু নত্তে কৈথেলসিদা ফন্নিবী পূন্নমক্কী। খরদি হন্নখিবসু য়াওরে। লৈহৌরিবা অতৈসু ঙম্মমক পোৎ লোয়শিন্নখ্রে। অদুবু ইবেচাওবীদি হৌজিক ফাওবা সারবা কালেনগী নুংশাদা শাংনা লেনলকপগী খুইথরবা মনা-মশিং খরদু খরদা ওইরবসু শিৎহৌননবা কন্না হোৎনরি। "১০,১১,১২ মখাই"। অদু ওইরবদি ঐ চাবা চাদবা ইচাশিংগীদি চারা অনী সুদ্রবসু নুমিৎ নিনি অসিদি লেন্নবা য়ারগনি।

ইবেচাওবী ঙরাং নহান্দগী মশা ঙমদবনে চারক থক্লক্তবনে সিনি হায়ফম খঙদনা চোকথরে। কনাগুম্বা নুংঙাই য়াইফবা ওইরবদি ময়াম কোইচেন চেন্নরগদৌবনি। অদুবু ইবেচাওবীদদি শারবা কালেনগী নুংশা ফাওবনা মায়থিরবনি। মতমদি লেপ্তুনা চৎখি, মীওইবতনা শোৎথহৌবনি। বন্দগী মতমনা নকশিল্লকপগা থম্মোয়দা মীপাইবসু হেনগৎলকই। ঐগীসিবু শিৎহৌররোইদ্রা? মপূক্লিংদা কৈথেল লাইরেম্বীবু খুরুমজে। ইবেচাওবী অমুকসু মথন্তা মুরুম-মুরুম শোল্লি লৈপাকসিগী বন্দ অসিসু খিৎতি মতোইখরে, নিনিদা কাংদে হা ছাত্রগী বন্দ হা থবক ফংদবগী বন্দ, মী অমা হাৎলম্বগীসু বন্দ, থবক হায়দোক্তবগীসু বন্দ হা অদুগী বন্দ হা আদাগী বন্দ। নত্তে ঐনা হায়বদি মখোয়না বন্দ অসুক য়াম্না তৌরিবসিবু অঙম অথৌশিংনা তাবীরমগদ্রা? মখোয়দা করিবু অপনবা পীবা ঙম্বগে। মখোয়দি বন্দ মতমদসু চৎনিংবা মফমদা চৎকনি তৌনিংবা অদুমমক তৌগনি ঙাক শেনবশিগা লোয়ননা বন্দগী নাম্মাদা লৈপাক্কী পুক্কে ময়েং তারক্কনি। সরকারনসু বন্দ খুদিংগী মাংলিবা লৈবাক্কী শেনফমশিং হোত্তুনা মীয়ামদা খঙহনবসু ফবনি। শোয়দনা লাক্কতা মশিং থিদুনা মাংলমগনি। নোংমা বীমোলাগী মচানা হায়খিবা "জপান্দদি খোংউপ শাফম অমগী স্ট্রাইক তৌবদা খোংউপ নাম্মা হায়বদি ওইদমক শাদুনা স্ট্রাইক চংশিল্লি। মখোয়গী দাবী ফংলবা মতমদা ৱাৎহৌবা নাম্মদু অমুক শাই"। কয়াদা তমজনিংঙাইনো। মখোয়গী দাবী তানবদা পৈশা অমদি মতম মাংহন্দে। অদুবু ঐখোয়গীসিদদি কদাই কনমত্তনা বন্দ অমুক তৌবদা কয়া য়াম্না মাংখ্রবগে হায়বা খন্নদে। মখোয়না উরিবদি মখোয়গী পেন্দবা ৱাকৎ কয়া অদুতনি। অদু ওইরবদি লাইরবনা মপুং ওইরবা লৈপাকসিদা, মখোয়না তাল্লিবা দাবীসিবু ঐখোয়গুম্বা মীমান্দ্রবা নোংমগী চরা অমতা তাঞ্জনবা হোৎনরিবা ঐখোয়দরা? নত্তে, মখোয় বন্দ অসি নত্তবা অতোপ্পা পাম্বৈ অমত্তা লৈতবরা? ময়াম পুন্দুনা মঙম্বশিংগী থোঙদা লাওরুবা য়াদবরা? বাপুজিগী খুৎলায় চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনবা য়াদবরা? মখোয়না মণিপুর বন্দ তৌবা নৎত্রগা কৈথেল বন্দ তৌবা অদুগা ঐখোয়না চাক-খাও তৌবা। ঐখোয়সু ঐখোয়গুম্বা কয়াসি পুনশিন্দুনা বন্দ তৌবগীদমক বন্দ অমুক তৌগদ্রা?

ইচে ইবেচাওবী করিগীনো নথন্তা ঙাংলিবদুবো?

বীমোলানা মনাক্তা ফমথরকপদা ইবেচাওবী খঙবোই করিবোই। ইহে ইবেম্মা নঙ লাকপরা?

কুইরে লাকপা ময়াম মথং মথং খোমলুরে। ইচেদি ঙরাংগা নহানগসু লাকপা উদে। অদুনা ঙসিগদি হুম্নি শুরে।

ইবেম্মা ঙরাং নহান্দো ইচে হকচাং ঙম্মুদরে। ঙসিসু পুং ৬ তগীদি নুমিৎ নিনিগী বন্দ লৈ, হায়বদুদা ঙমদা ঙমদা লাকইবনি।

খঙদে ইচে ঐখোয়গী লৈপাকসিগী বন্দসিসু খিৎতি হাকমনখ্রে। নিনিদা কাংদে। নহানগী বন্দদসু ঐখোয়গী ইমৌশিং অমা মাদি থবক কাবনি হায়দুনা থোকচরগা। মখোয়গী পুলিস গারীনা হোল্লি হায়বদুসু লাকপিদ্রবা জাৎনি। মখোয় বন্দগী নহারোলশিংনসু চৎপা য়ারোই হায়দুনা হঞ্জিল্লক্লে। অদুগদি বন্দ মনুংদা থবক কাদে, বন্দ শৌগৎপা য়াউই হায়দুনা নোং ঙানবদা থবক সস্পেন্দ তৌবীরে হায়রে। অদুগী অমুকতোইবা কপ্পও লাওবও, য়েংহৈবা জাৎ নত্তে। ইহে ঐদি ঙাংদুনা লৈরে।

অদো ইচেসু নারুরে হায়রবনিনা কয়ানো খরা পীখৎলক্লো ঙসিদগীদি নিনি অমদু উন্নররোইদবনি।

ইবেম্মা য়ারবদি ইচেগীদু ঙসিদগা য়েংবীরম্মো। বন্দ লোয়রগা কয়ানো অতাবদু ইচে খরা খরা ফুককৎনবা হোৎনরগে।

য়ারোই য়ারোই। সিদগীদি নুমিৎ নিনি অমসু হাপকৎখ্রনি।

অসুম হায়না চাং নাইবা ঙম্মোইদবা ওইরবদি ঐদি নহান্না লৌনু হায়দ্রা? লৌরমদাইদদি ঙম্নি হায়না লৌখ্রগা। অসুম্না নোংমা পী নিনি লেপ তৌগদৌবা ওইরবদি শেলেপ মাংবীগী করি কান্নরি। সিদি শেন্দোইদা শানবনা ফরে হায়বা সে সে মতম মাংনবনি লুপা ১০ দা ওইরবসু পীখৎলকউ।

ইবেচাওবী করি খুম্মুখিগনি। মতাংসিদা মহাক্তি লাল্লুরবা মীনি। অদুগা কন্না য়েৎনরুরে মতুংদা খুদোংচাবা অমুক ফংলোই। ইবেচাওবী শেনগাউ ময়োলদা চেকশিন্না হাপচিল্লুরবা লুপা তরানিথোই মখাইদু লৌথোক্লে। অদুগা করিসু খুম্মুবা তৌদনা হায়বা ইনবা অঙাংগুম লুপা তরা থিদুনা লানথোকখ্রে। বন্দ মতমসু য়ৌশিল্লক্লে। হৌজিক মখুৎতা লৈরিবা লুপা ২ মখাই অদুনা করম্না নুমিৎ নিনি লেন্নগনি। পিক্লিবা মচা অনীদুনা মাগী মায়কৈ য়েংদুনা লৈরমগনি। চৎখিবা ঙম্মুদবা নিনিদু মশু মচাশিং মপুক থন্না চাবা ফংজখিদ্রবনি। ইবেচাওবীগীদি করি অমুক হায়রুনি মশা নুংঙাইতে হায়জিন্নদুনা মচাশিং পীজরগা মচাশিং উদ্রবা কান্দা অরেম্বা অতাবা চাক খরা ঈশিং চামদুনা চারগা চফম ফাদুনা কৈথেল তন্নকখিবনি।

"দুকান মৈ চাক্লে, দুকান মৈ চাক্লে"। ময়াম ৱা-ৱা লাওনরকই। হাংলম্বা দুকান ১-২ দুসু থোঙ গম-গম লোনশিন্নখি। ইবেচাওবী ইপা পাখৎলি। লৈদুনা য়েংবদা মথন্তা ঙাইরম্লে। পাখঙ মচা খরা গুরুং গুরুং চেন্নরকপা উবদা ইপা পাখৎনা পোৎ-চৈ, মনা-মশিং খরদু লোইশিল্লি। মচিন্দসু হায়রি।

"ইবুংঙোখোই ইমা লোইশিল্লে, ইমা লোইশিল্লে। ইমাগীসিদদি চাইখাইবীগনু"।

ইবেচাওবী তপ্পি-তপ্পি ময়োম মচাদু পুদুনা ময়ুম তন্না চেনখি। বন্দবু য়েংবা কাংবু কাংবু লম্বী শোরোক মপান্দা থোক্লরক্লি। ইবেচাওবীগুম্বী কয়ানা চেন্নরিবদু নুংঙাইরবা কুম্মৈ অমগুম য়েংলি। অদুবু বন্দবু কিনা চৎখ্রিবা মহাক অদুনা বন্দবু কয়ামুক তাথিরমগবা হায়বদুদি বন্দ তৌরিবা কনামত্তনা নীংশিংনখিদ্রে।

## শৈরেং

### অচুম্বনা কৈদৌনুংদা তুমিন্না লৈথোক্লোই

*হৈস্নাম মধুমঙ্গল*

হায়নৈ কৈনা তোকপা পোকপরা?
মীগী নুংঙাইবদা কল্লকইবা থৱায়শিং
ওইদবদা অচুম্বা শাবা হৈবা ঙাকনি।
মশাগী পোক্লফম খঙলক্তবা জীবশিং
কৈদৌনুংদা অফবা ৱাখল খল্লরোই
পারি পুরি নাইরক্তবগী শাজৎনি।।
নোংমতা কাংদেনে ওইদবা প্রচারশিং
মীগী অৱাবতা উরগা পেঞ্জবশিং
মপা মপুশিংনা তম্বীরম্বা লীচৎনে
কোক্লরোই থৱায় মানা লৈরিবখৈ
খঙহনগদবনি অচুম অরান খুদিংমক
ইলহনগদবনি আইনগী অকনবা চৈশুনা।
আইন খঙলবা থৱায় কয়ানা
লমহেল্লবা শরোই ঙারোই ওইরিবশিং
পুংজা খুদিং দণ্ডিগী কাংশি
তাহন্নবা সনা শঙ্গাই লিঙ্গদবনে।
কয়াদা কুইরবনো অনম কল্লিবসে?
আইন খঙদবনা লৈঙাক ৱায়েনবসিদা।
হংঙা খোঞ্জেল চুম্নবু কপ্তরিয়ে
নাওথেমহৈবা ভারত সরকার লৈঙাক্লা
কাউথোকখরে চীংনুং পুন্সি মহীংদো
মপু মশক খঙদবা থৱাইশিংদে
উচিদা অমুক হঞ্জিনহনবীরো
আই এফ আর বেন শিরাপনা।।

### ঐ কনানো

*-নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা-*

অনৌবা ঙমখৈ অমা
ঈখৌ লাংলকপসিদা
পূক্লিংসে মিপাইরে
অদুবু হেন্না লুরিবদি
ঐ কনানো খঙদ্রিবসিনি।

কুনমাথোইশুবা শদাব্দীসিদা
খোঙফম হন্দুনা লেপত্রবদি
ফিভম শোক্লবা ইজাতিসিগী
লাইবক লেপ্পা লুরবনি।

ঐ কনানো খঙদ্রবা
ঐগুম্বা মীতৈসে উরগা
লাইরমলেন্দা
ইপু খোঙনাথাবনা
মতিন শিৎলমগনি শোয়দনা।

সনামহী কোল্লু য়েখায়বা
উমংলাই খুভম মুথৎপা
পুয়া মৈ থাখিবা
ফুঙ্গা ৱারীগুম খল্লিবা
ঐসিবু মীতৈরা?
মীপোৎনা ইরন্নি খল্লিবা
ঐ কনানো
ঐ কনানো?

### ঐখোয়গী মন্ত্রি

*-থৌদাম নেত্রজিৎ সিংহ-*

নোংমা
ঐগী য়ুমগী থোঙজিন্দা
লাক্লম্মী ইতে তেথরদুনা
চাক্লিবগুম ফিনিবগুম।

শোন্দুনা লৈরিবী ইমানদি হায়
কন্না কন্না খোংলিবসিবু কনানো
য়ুমথংনবগী হুইদুরা?
ঐনা ইমাদা হায়
ভোট য়ৌরক্লে
গণতন্ত্রদদি

শা হায়বা লৈতে মী হায়বা লৈতে
হৌদোংনা নোংমৈ পায়রকপসু য়াই।

ভেন্দর অমা
য়ু খরূংদা ইরাক্লরি
নহা ময়ামগা লোয়ননা,
ভেন্দর ময়াম তুরেল ওইনা চেন্থরক্লি।

লম্পাক খরদি
নাকোংগী দ্রম কায়খ্রমাল্লে
শন্দুনা তারি
নোংঙাল্লকপা অমা ঙাইদুনা লৈরি।

অৱাবা ময়াম নুংঙাইবা ওন্থোকখ্রি
নুংঙাইবা ময়াম থৌরিনা চিংখৎখ্রি।

খংমম মমশিলহৌই
খুন্তাক লানশিহৌই।
কুইরবগী তুং
সাইরেন খোংবা গারী মখোল তাখি
খুঙ্গংগী লম্বীদা।

শোল্লবী ইমানা হংই
শজিবু চঙলবরা
নোংলৈ নুংশিৎলা?

## তাবুনুংদগী

*(কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা ইবা শৈরেং মচা অনীখক ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎতুনা ফোঙদোকচরি)*

### দিমান্দ লেটর

দিমান্দ লেটর লাকই
ঐগী কবিতাদা
কবিতা ঐহাক
দিমান্দ লেটর থওইদবা
অকিবগী কবিতা ইদবা ঙমদে
ঐহাক
লৈবাক্কী ঈশিংদা নুংশিত্তা
হিংদবা য়াদ্রদুনা
ঐ কবিতা ই
দিমান্দ লেটরগী।

### অথেঙবা অহিংদা

অথেঙবা অহিংদা অমুকসু
হৌদোরকখি
ঐ য়াখিদে
তুমশিন্নখি
অথেঙবা অহিংগী কবিতা ইখিদ্রে
ঐহাক।

## মণিপুরী পাল্থৈ পাওরৌ পাওতাক

১৮ **অঙাংনা তুংগী য়ুম্বীনি।**
– অঙাংনা চাউরক্লগা তুংদা অহলগী মহুৎ অমুক শিলহৌগনি।

১৯ **অঙাংদি মীচঙ খায়বা ৱাদে।**
– লুনা চান্না তৌবিরবদি অঙাংদি অতোপ্পদা চৎখিদে, ঐগী মীচঙ ওইবা ৱাদে।

২০ **অঙ।**
– হোয়, য়ানীংবা ফোঙদোকপা।

২১ **অঙ অঙ**
– হোয় হোয়, অমুক্কা হেন্না য়ারে, খঙলে তাকপা।

২২ **অঙকো।**
–য়াওকো, য়ারোকো।

২৩ **অংগো শাবা (অঙাং শাবা)**
– অঙাং শাবা, অঙাং মানবা থবক, কেথোকপা।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোনদোন**

## লাইরিক্কী উনবা

লাইরিক্কী মমিংঃ কনাসু ঐগী মিং খঙদে
অইবা ঃ কাংজম পদ্মকুমার
ফোঙবা ঃ কে পি পব্লিকেসন্স
মমল ঃ লুপা ২০০ /-

কাংজম পদ্মকুমারনা ইবা 'কনাসু ঐগী মিং খঙদে' হায়বসি লামায় ৯৪ পানবা মমলনা লুপা ২০০ পীবা লাইরিকসি অইবসিনা লৈখিদ্রবা মতুংদা কে পি পব্লিকেসন্স উরিপোক তখেল্লম্বম লৈকাই, ইম্ফালনা লময়ানবা প্রিন্টর্স, কোনুং লম্পাক, ইম্ফালদা কপি মশীং ১০০০ খক ২০১৫ দা অহানবা ওইনা ফোঙবনি। লাইরিক্কী মখুমগী লাই অসিনা মাখোনমনি মোংসাবনা শেম শাবনি। অইবনা মহাক্কী নোভেলেট অসিদা অনীশুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাও মনুংদা ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈরিবা ইমুং-মনুংশিংনা ময়ুম ইঙ্খোল থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নবা অমদি লান লোইখ্রবা মতুংদা লাঞ্জেনফমদগী কারক্তুনা লাননা মাঙহন-তাকহল্লম্নবা ময়ুম ইঙ্খোল নৌনা শেমজিন্দুনা নৌনা য়ুম্লিং খুল্লিংদুনা পান্ননবা হোৎনরকপগী থৌদোশিং উবা ফংহল্লি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও অসিনা লাম্মৈগী মতৌগুম্বা মায়কৈ শিন্না শন্দোরকখিবসিদা মণিপুরসু বৃটিশকী লোইলম ওইরুবনা এলাইদ অমদি এক্সিষ্ট ফোর্স অনীনা খোদ্রেং হান্নরকপদা মণিপুরসু মখোয়গী চায়নপুং ওইখিবনি। লাঞ্জাও অসিনা মণিপুরগী সমাজিক পুন্সিদা মওং কয়াদা অহোংবা পীখিবা ইতিহাসকী ওইনা য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক অমা ওইখি। খৃষ্টকী কুম ১৯৩৯ দগী ৪৫ ফাওবা শোক্লখিবা লাঞ্জাও অসিনা মালেমগী ওইনসু ৱাখল মীৎয়েংদা অহোংবা কয়া পীখিবনি। লাঞ্জাওসি মৈতৈ মচাশিংনা অহানবা ওইনা অতিয়াদা এরোপ্লেননা পাইরকপা উখি। পাল হার্বর থুগাইরুবদগী অমেরিকানা জপানগী হিরোসিমা অমদি নাগাসাকী সহর অনীদা এটোম বোম থাদদুনা মীওই লীশিং কয়াগী থৱায় অমদি লন-থুম মাঙ-তাকহনখি। অমেরিকানা জপান্দা এটোম বোম থাদবসিদা অকিবা ফংলবা লাঞ্জাও অদু লোইশিনখিনবগী অফবা পাম্বৈ অমনি হায়জরবসু মালেমগী লৈবাক পূম্বনা থম্মোয় শোক্লা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লখি। লাঞ্জাও অসিগী মতুংদা মণিপুর সমাজদসু অহোংবা লাকপা ওইনা ফৈজোম পুময়াৎ শেৎলগা চন্দোল থিনবা কাঙবু অমগা খোঙ্গ্রাও ফুরিৎ শেৎলগা চন্দোল থিন্দবা কাঙবু অমগা অনী থোরকখি। লাইনিং অমদি পুন্সিরোলদা চাউনা অওনবা লাকখিবা মতমগী তাঙ্কক অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইবা মণিপুরগী উপন্যাস কয়া মরুম হান্না লৈখ্রবনি। খুদম ওইনা খরদং মমিং পনবা তারবদি আর কে এলাংবমগী 'লমজা অনী' হিজম গুনগী 'খুদোল' 'অরোইবা পাউদম' অমদি ক্ষেত্রিবীরগী 'নিংথিগী নিংথেম' পনবা য়াই।

ইতিহাসকী তাঙ্কক অসিবু অঙাং ওইনা হকথেংনহৌবা অইবনা লাঞ্জেন্নবা মতমদগী হৌরগা লান লোইরবা মতুংদা লাঞ্জেনফমদগী কাখৎলক্তুনা লাননা মাঙহন-তাকহল্লন্নবা ময়ুম ইঙ্খোল শেমজিন-শাজিন্দুনা য়ুম্লিং খুল্লিংবা হৌরকপগী চহী করা ফাওবা কোনশিন্দুনা সমাজকী অহোংবা কয়াবু উৎনবা হোৎনরি। উপন্যাসকী ন্যয়ক ওইরিবা ইবোচৌবা অঙাং ওইনা মপা মমাগী মতুং ইন্দুনা লান চেন্দুনা মীগী ময়ুমদা শাইদাংফম লৌদুনা লৈরুই। লানগী মৈরীনা খরা নেমথরক্লবা মতমদা ময়ুম মকৈ শেমজিন্দুনা নৌনা য়ুম লীংনবা হোৎনরকই। গুর্খা সিপাই অমনা মৈতৈ নুপী অমবু মোংশোংদা চিংশিন্দুনা ইজ্জৎ মাঙহনবগী থৌদোক থেংনরুই। লানগাইনখিবদগী ইমুং অয়াম্বা হঞ্জিন্নরক্ত্রিবনা লৈরক খুল্লক পুম্বা মী ইহাং হাঙই। ইবোচৌবনা লানগাইনবদা কায়নখ্রবা মহাক্কী মরুপ-মপাংশিংবু নীংশিংদুনা লেল্লি। লৈকাইদুদা নৌনা লাক্তুনা লৈরবশিংগী মরক্তগী মোহিনী কৌবী নুপীমচা অমগা শকখঙনখি। মদুগী মতুংদদি য়াম্নমক থুনা চান্নরবা শান্ন-মরুপ ওইরকখি। উপন্যাসকারনা অঙাংগী তাইবঙ অমদি তপ্না তপ্না মপুং মরৈ ফারকপগা লোয়ননা পূক্লিং ৱাখলদা লাকপা অহোংবশিংদু উৎনবা হোৎনৈ। শান্ন-মরুপ ওইরম্বদগী অপাম নুংশি পোক্লরকপদগী হয়েং চাউবা মপুং ফারবা মতমদা লৌন-লৈনসি ফাওবা ফোঙদোক্লদুনা কনাগীসু থৌওইনশিন য়াওদনা মদোম নকশিন্নর নকশিন্নরকখি। অদুবু খঙহৌদনা কায়নবগ পুংফম লাকখি, মোহিনীখোয়গী ময়ুম কাংপোকপিদা হোংবা তাখি। চৎলমদাইদা মসিমত্তং নীজরম্মী – "জাৎ তিন্নদবা নুপীমচা অমনা নঙবু তশেংনা নুংশিখি হায়বসিতদি পুন্সি চুপ্পা কাউবিগনুকো।" (লাঃ ৩৯) লাঞ্জাও অদুনা মহাক্কী মরুপ অনী লাঞ্জেনফমদা লাইচত্তা শিহনখি, মোহিনিবু ওক্তবী ওইহনখি। অদুনা মীওইবগী পুন্সিদা নুংশিবা হায়বসিনা অথোইবনি হায়রদুনা লান পামদবা উৎখি।

***আর জে মীতৈ***

## চয়োলশিদা সাহিত্যগী পাউ

**ফেব্রুৱারি ২৫, ২০১৬**

পেত্রিওট্রিক রাইটস ফোরম মরিপুরদা শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা অরাম্বম ইবুংঙোহল অমসুং বিনোকুমারীগী দেট এনিবসেরী পাঙথোকপগা লোয়ননা খঙজ্রাকপম কৃঞ্চমোহন্দা অরাম্বম ইবুংঙোহল অমসুং বিনোকুমারী লিটরেরি এৱর্ড ২০১৫ সু খুৎশিন্নখি।

এৱার্ড অদুদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫, সাইটেসন অমদি শাল অমা য়াওরি। খঙজ্রাকপম কৃষ্ণমোহননা ইবা 'কেল্লবা উনাগী ঈশৈ' হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অসিগীদমক লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্ড অসি পীখিবনি। পেত্রিওট্রিক রাইটর ফোরম মরিপুরনা থা ৬ খুদিংগী পুথোকপা লিটরেরি চেফোঙ ঙাক্লৌসু থৌরমগী অথোইবা লেঙবীরকপা পদ্মশ্রী লাইশ্রম নবকিশোর অথোইবা লেঙবীরকপনা ফোঙখি।

এৱার্ড অসি পীদুনা পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম পাঙথোক্লিবা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুং অমদি পেত্রিওট্রিক রাইটর ফোরম মণিপুর অনীগী মফমদসু মহাক্লা থাগৎপা ফোঙদোকখি। অরাম্বম ইবুংঙোহল মণিপুরগী অহুমশুবা বি এ পাস তৌবা মীওই ওইবতা নত্তনা মণিপুরগী অহানবা বি তিনি। জোনোষ্টোন হায়স্কুলদা মতম শাংনা ওজা ওইদুনা হেদ মাষ্টর ফাওবা ওইরম্মী। মণিপুরগী নিংথৌ মহারাজ চুরাচান্দ সিংহনা মহাকপু এসিষ্টেন্দ টু দি প্রসিদেন্ট, মণিপুরী ষ্টেট দরবার ওইনা থবক পুহনখি। মসিদসু নত্তনা মহাক মৌজদারগী থবক ফাওবা পুখিবা মীশক্লি। ইবুংঙোহলগী থোইদোক হান্দোকপা শীংথাবা য়াবা মগুণদি মথৌদা পূক্লিং চংবা, শেঞ্জা থুমজা তৌদবা, পুকচেল শেংনা মথৌ পাঙথোকপা,জাৎ বিজাৎ খায়দনা তিন্নবা য়াবা, ফিদম্নফম ওইবা মীশক অমা ওইখি। মণিপুরদা হিন্দু ধর্ম্মাগী অমাং অশেংগী খম থেংবা মতম অদুদা চীংমী কয়াগা তোরো-খোন্দাননা লোয়নখি। সরকারগী থবক থাদোক্লবা মতুং অয়াম্বা মতমদা ওজা অমা ওইনা তাকপি-তম্বীবগী থবক্তা মপুন্সি কখোকখি। লৈখিদ্রবা অরাম্বম ইবুংঙোহল অমদি বিনোকুমারী অনীগী মিতমদা মীয়াম্না লৈ কৎতুনা ইকাই খুম্নবসু উৎখি।

থৌরম অসিদা শগোলশেম লনচেনবা মৈতৈ, প্রসিদেন্ট মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালগী প্রসিদেন্টনা অখন্নবা লেঙবীরকপা অদুগা পেত্রিওট্রিক রাইটর ফোরমগী ভাইস প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খোইরাকপনা থৌরম মপু ওইখি।

**ফেব্রুৱারি ২৮, ২০১৬**

ইস্লাম লাইনিংগা মরী লৈননা সিরাজ অহমদ মুফতি দারুল উলুম, লিলোং হাউরৈবীনা ইবা ৱলী নুপী ৬ অমদি মৌলানা খৈরুদিন সদরে মুদরিস জামিঅৎ অরিহাৎ ইরোং চেশোবনা ইবা জামিউল ফৱাইদ হায়রিবা লাইরিক অনী অসি আশমা শাহনীনা মৈতৈ ময়েক্তা ইথোক্তুনা ক্ষেতিগাও অৱাং শাবল লৈকাইদা লৈবা এমদি অব্দুল ক্বারিগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফোঙখ্রে।

থৌরমসিদা মিলানগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম নাওখোম্বা মৈতৈনা চীফ গেষ্ট, মুক্তী সিরাজনা প্রসিদেন্ট অমসুং মৌলান্না খৈরুদ্দিলনা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াখি। ইস্লাম লাইনিংগী য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম কয়াবু ইরমদমসিগী ইমা লোন্দা ইথোক্তুনা লমদমসিদা খঙহন্নবগী পান্দমদা আশমা শাহনিনা লৌরক্লিবা থৌদাং অসিবু দাইজদা লেঙশিনখিবশিংনা অপেনবা ফোঙদোকপদা নত্তনা থাগৎনখি।

**ফেব্রুৱারি ২৮, ২০১৬**

প্রোগেসিব রাইটর এসোসিয়েসন মণিপুর চেপ্টর, ইম্ফালনা শীন্দুনা ইম্ফালগী ইরাবত ভৱনদা দি দি নিংথৌজানা ইবা ৱারী মচাগী লাইরিক 'অহিংবা ফাগী' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা লোয়ননা ইবোসনা খুমননা ইবা শৈরেংগী লাইরিক 'মঙলাক্লখ্রবা থৱায়' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অনী ইরাবত ভৱনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙখি।

থৌরম অসিদা সাহিত্য অকাদেমি এৱার্ডি য়ুম্লেম্বম ইবোমচানা চীফ গেষ্ট, লাঙ্গোল ইবোয়াইমনা থৌরম মপু ওইখি। সলাম তোম্বা অমদি ডাক্তর কোইজম শান্তিবলানা মথংশিৎনা লাইরিক অনীসিগী মরমদা ৱা ঙাংখি।

**ফেব্রুৱারি ২৮, ২০১৬**

ডাক্তর লৈশাংথেম তোন্দোননা ইবা 'মৈতৈলোনগী ৱাহৈ পূংবা' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ফেব্রুৱারীগী তাং ২৮ ২০১৬, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা প্রোফেসার নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ হান্নগী ভাইস চিয়ারমেন্ট জে এন এম দি এ ইম্ফাল, প্রো. টি ঐচ তোম্বী সিংহ, প্রসিদেন্ট মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল, এলাংবম দীনমনি হান্নগী প্রসিদেন্ট মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল এস থানিল সিংহ, পদ্মশ্রী এল লাকপতি, এন নোংথোন সিংহ, এল চাউতোন সিংহনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, স্পিসিয়েল গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওর্নরশিং ওইখি। থৌরম অসিদা মখাগী মীওই ১৮ অসি অইবনা অচম্বা খুদোল পোৎ অমমম তমখি। মখোয়শিংদুদি (১) এলাংবম সোনামনি, (২) অরিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্মা, (৩) ডা. এন. সুকুমার সিংহ, (৪) লমাবম ব্রজেন্দ্র সিংহ, (৫) ডা. এল. জোগমনি সিংহ, (৬) এ. (ওংবী) তোম্মীনৌ দেবী, (৭) কেএসঐচ. থৌরানিশাবী দেবী, (৮) অরিবম কুমার শর্ম্মা, (৯) ডা. ৱাই. বজাও সিংহ, (১০) ভাবেন্দ্র লোংজামবা, (১১) থাংজম কোরা, (১২) ডা. জোধচন্দ্র সনসম, (১৩) রাজেন্দ্র ওক্রম, (১৪)ডা. থোকচোম ইবোহনবী সিংহ, (১৫) রাজেন খুমুকচম, (১৬) ডা. ৱাই. কুঞ্জবীহারি সিংহ, (১৭) কৈশাম প্রিয়োকুমার, (১৮) ডা. লমাবম গোজেন্দ্র, অসিনচিংবনি। থৌরম অসি জে এন এম ডি এ গী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

**রাজেন খুমুকচম**